# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১০৯

ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম

**মণিপুরগী** মীচম মীয়াম পূন্নমক ৱাখল খরদি তাবা হৌরে। মসিমক তশেংনা অফবা মায়ওন অমনি। মতম অমদা বন্দ, ব্লোকেদ অমদি মখল মখাগী ঈহৌ নোংম-নোংমগী লেপ্তুনা মীয়ামদা পীরম্বা চৈথেং খরদি তারকখিদ্রে। বন্দ, ব্লোকেদ ঈরাং লৈবা লমদমসি কোংগ্রেসকী চহী কয়াগী লৈঙাক্কী মতমদা য়াম্না লৈরম্বনা নুপী অঙাং, মীয়াম পূন্নমক মীপায়নরম্মী। অদুবু কোংগ্রেস লৈঙাকপু অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি অমনা শিনখিবদগী ঈংনা চিক্লা লৈনরে। মসিমক তোপ তোপ্পা শক্তম অমনি। ঈরাং হৌরম্বা মীয়ামসু তশেংনমক পেন্নরব্রা? ৱাহং অসিমদি মীয়ামগী থম্মোয়দা হংবা য়াবা ৱাফম অমনি। বন্দ, ব্লোকেদকীদমক লাংনরম্বা মকোক থোংবা লুচিংবা মীশক খুদিংমক্লা ঈরাং হৌরক্ত্রিবসি পূন্নমক লোয়না পেন্নরবরা? মদুমক্তি ওইরমগনি নীংদে। বন্দ, ব্লোকেদকী লুচিংবশিং লুপা খাওজাউ, খাওজাউনা শুমখ্রবরা? মসিগী মথক্তা মণিপুরদা লাংলম্বা, লাউরম্বা পোলিটিকেল পার্টি কয়াসু মরোমদোম মুথৎচখ্রে। তশেংনমক পোলিটিকেল পার্টি পূমমুং মুৎখ্রবরা? মদুমক্তি নত্তে। পোলিটিকেল পার্টিশিং লৈরি। অদুবু লৈরি হায়বতা মঙাইরে। করিসু মীয়ামগী থবক তৌবা ঙম্লরোই। পোলিটিকেল পার্টিগী মকোক থোংবশিং ঙম্নমক অমুক হন্না হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনবা চহী খরদি চঙখিগনি। মতম অমদা লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরম্বা, লৈঙাক্লা অচৌবা থৌদাং য়াম্বা পোলিটিকেল পার্টিশিং লৈঙাক পায়রিঙৈদা মীচম মীয়ামগী মমাঙদা লাউরম্লগা থবক ওইনা করিসু মীয়ামগী কান্নবা তৌরমদবা, মশা মশাগী লন-থুম পৈশিল্লম্বশিং মমৈথংদা মীচম মীয়াম্না খঙনরকপদগী মাগী মাগী পোলিটিকেল পার্টি পূন্নমক মরোমদোম মুৎচখিবনি। কনাদসু তাইনরুবা য়াররোই।

মতম অমদা লৈঙাক্কী অচৌবা থৌদাং য়ারম্বা পার্টি খরদি মরূ ফংনা মুৎখিবা য়াবা তাঙ্কক য়ৌরে। ইলেক্সন খুদিংগী ভোট ময়াদা অখঙ অহৈ শারদুনা মীচম মীয়ামশিংদা চথ্থরম্বা থোক-মোক কয়াদু মীয়ামসু ৱাখল তারক্লবনিনা ভোট লেপ্পা হায়বসি ঙসিগী ওল্লক্লিবা য়াওলসিদা শেল খক্তনা য়ারক্তবনা দশা হেন্না তারকই। মতমগী ওল্লক্লিবা য়াওলদা পুঙমদবা কয়ানা মরোমদোম মুথৎচবনি। ভোটকী মতমদা লাংনরক্লিবা শেঞ্জা থুমজা কয়া থোং মান্ননা তৌবা ঙম্লক্তবনা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা অকনবা চৈফু অমা ওইরক্লি। তশেংনমক ইন্দিয়াগী মনুংদসু অওনবা অহোংবা খরদি ফজনা উরে। ঙসিগী ওল্লক্লিবা য়াওল, হোংলক্লিবা শক্তমদা শেঞ্জাউ পায়বা পোলিটিকেল পার্টি নৎত্রবদি মীয়ামদা লুপা খাওজাউ খাওজাউগী শক্তম উৎত্রবদি ইলেক্সন থেংনবা য়াররোই। মসি পূন্নমক্তগী খ্বাইদগী খুদোংথিনবগী মশক অমনি । মীচম মীয়াম অমদি পোলিটিক্সপু পামজবা মীওই খরদি অমুক হন্না হৌগৎলকপা ওইথোক্লরোই। মসিমক্লা মতম মতমগী লৈঙাক পায়রকপা মীওই খরদি মশা মশাগী তুংগী পোরম য়েংলগা খোংফম শেম্নরকপসি চৎনরকই। মসিমক অওনবা, অহোংবা লৈঙাক অমদি নত্তে।

মরম অদুনা লৈঙাক পায়রিঙৈ, এম এল এ, এম পি ওইরিঙৈদা মাগী মাগী ওইজনাম চথ্থহৌবা খরদি অতোংবদা লৈথোনবা অকুৎপদা লৈতৌবা হায়বদু মীয়াম্না খঙনরে । মীচম মীয়ামসু য়াওশিন্দুনা পূন্নমক মাঙমিন্নবগী তাঙ্কক অমদা লৈরে।

মপূং ওইনা ঙসি ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা কোংগ্রেস লৈঙাক মুখৎনরকপা মসিমক অনৌবা পাড়া অমনি। শেঞ্জাউ পায়রম্বা কোংগ্রেস পার্টিনা ইন্দিয়া পূন্নমক জয় তৌরম্বনি। অদুবু কোংগ্রেসকী লান্দা শেঞ্জাউ পায়বা, তৌবা ঙম্বা বি জে পি চোঙথোরকপদগী ঙসিদি পোলিটিক্সকী অচৌবা অহোংবা, অওনবা অমদি মীয়াম্না উনরে। ঙসি চথ্থরক্লিবা পোলিটিক্সকী শক্তমসিদা চহী কয়া হাইনা হুম্না লৈঙাক পায়রম্বা কোংগ্রেস কৈদৌনুংদা হৌগৎলকপা য়াররোই। মরমদি কোংগ্রেসকী লৈঙাক মতমদা শেঞ্জা থুমজা, মীয়ামগী মরল মথুম কয়া হাইহৎলম্বা কয়া ঙসিদি মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙনরকপা অসিমক অচৌবা অহোংবা  লৈঙাক অমগী অওনবা পুরক্লবা শক্তম ওইনা লৌনরকই। মসিমক্লা থম্মোয় শেংনা থবক ওইনা পায়খৎলক্লবদি পূন্নমক্কী অফবা, পোলিটিক্সকী ওইবা অহোংবা অমদি ময়েক শেংহনগনি হায়বসি মীচম মীয়ামগী অপাম্বনি। হীরম অশোমদা বি জে পিগী ইলেক্সন মমাঙদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউরম্বা থবক ওইনা খরদং ওন্থোকপা ঙম্লবদি





পোলিটিকেল পার্টি অমদি মীয়ামগী ওইবা অহোংবা পুরকপদা মতেং ওইগনি অদুবু বি জে পিসু পোলিটিকেল পার্টিনি। পোলিটিকেল পার্টি ওইবা মরম্না ঙসি মীচম মীয়াম্না মখোয়গী ৱাখল্লোন মপূং ফানা থাজবা থম্বদি ঙমদে।

ইরমদম মণিপুরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমদি লৈরে। ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা লাংজিং চীংমাংদা লাউরম্বা ময়াম ঙসি করি করি থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙম্লবগে, ৱাহং অমনি।

মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরিবদি কোংগ্রেসকী লৈঙাক মতমদা শেঞ্জা থুমজাগী ৱাথোক কয়া চপখৎতুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীবা, নহারোল লালহৌবগী নমাদা হাৎখিবশিং আইনগী ওইবা শক্তম মপূং ফানা পায়খৎপা, য়ু, নম্বর ফোরনচিংবা লল্লোনবদা চেন্নবশিং মীয়াম মমাঙদা চৈরাক পীবনচিংবা কয়ানি। অদুবু ঙসি ফাওবা করিসু তৌবা ঙমদবদৌনা উই। লৈঙাক অসি অহোংবা করিনো? ঙসিগী লৈঙাক অসিদা মমাঙগী ফত্তবা থবক খুদিংদা চেনবা য়াওরম্বদগী থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদ্রবরা?

মণিপুরদা অনৌবা অহোংবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা চাউনা ফুমজিন্দুনা থল্লিবা চাউর-চাউরবা ৱাফম কয়াসু পরেং লেংদুনা লৈরি। বন্দ, ব্লোকেদ উৎনা-ৱাইনা খুমজিন্দুনা থল্লে, বন্দ ব্লোকেদকী হৌরকফম এম এল এ খরনা লৈঙাক অসিদা য়াওশিনবদগীরা? কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা ওইরম্বদগী মীশক মীওই খরদি ওন্থোক্লে। লৈঙাক মনুংদা য়াওরিবা এম এল এ, মন্ত্রি য়াওরমদুনা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্নদ্রবরা? মসিমকসু অচৌবা ৱাহং অমনি। নাগাগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট তরাইবা নত্তে। আই এল পিগী ঈহৌ ইচম চম্না খন্দোকপা খক য়াররোই। মখল মথেলগী চাউর-চাউরবা ৱাথোক কয়া পরেং লেংলি। মসিমক্কী মথক্তা এম এল এ চোঙথোক চোঙশিনগী ওইবা আইন ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবগুম লৈবসু য়ারক্লোই। পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হাপচিনবগী ৱাথোক দিসক্কালিফাই তৌনবা হোৎনরক্লিবা কৈদৌনুংদা নাথৈবা য়াররোই। মসি পূন্নমক অমত্তা তরাই তরাইবা নত্তে। মণিপুরদা এম এল এ ৬০গী মনুংদা মশীং শুনা কারক্তবা বি জে পিনা চোইখোম লৈঙাক চলাইরকখিবা মীয়াম্না ইখঙ খঙনৈ। বি জে পিগী এম এল এ খরদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্না পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ১২, এম এল এ খরনা চোঙথোক চোঙশিনগী ৱাথোক্তা চেনদবসু নত্তে। নোংথোম্বম বিরেনগী লৈঙাক্তা ওইরক্কদৌরিবা অৱাবশিং অমত্তা তরাইদে। মসিগী মনুংদা বি জে পিনা করি করম্বা উপায় শীজিন্নদুনা মরা চেৎপা লৈঙাক অমা পুরক্কদৌরিবা? ইন্দিয়াগী প্রসিন্টেনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী ৱাফম দিসক্কালিফাই তৌবগী অয়াবসু পীথোকখ্রে। মসি পূন্নমক নোংথোম্বম বিরেনগী বি জে পি লৈঙাক্তা কদাই ফাওবা ঈংনা লৈবা য়াগদগে।

ঙসি ফাওবা পোলিটিক্সকী ৱাথোক অসিগী চরাংনবসি মমাঙথক্কী পুৱারীদা মণিপুরসু তোপ তোপ্পা শরুক য়াদুনা লাকখি। মতাং অসিদা পোলিটিক্স তৌজরিবা মীশক মীওই খরা, গভর্ণমেন্ট কায়রগা হরাউজবা পোলিটিকেল পার্টি কয়া তোর্ব্বান্দা লেপ্তুনা হরাউ মোমোন নোক্লা লৈতবসু নত্তে। কুমজা ২০১৮ অসিদা পোলিটিক্সকী ঈরাংদি তোপ তোপ্পা শক্তম অমা শোয়দনা মণিপুরদা থুংলগদৌরি। মসিগী মথক্তা মীচম মীয়াম মীপাইনদবা নত্তে। মীচম মীয়ামশিংনা খৌরাংনা ঙাইনরিবদি অনৌবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা শেঞ্জা থুমজা তৌবা এম এল এদগী হৌরগা ওফিসর কয়াগী মোৎলবা থবক চুমথোকপা, এম এল এ, মন্ত্রি ওইরগা মীয়ামগী মরল মথুম হুরানবশিং আইনগী চৈরাক পীবনি। মসিগী মথক্তা মন্ত্রি ওইনা লৈরগা চাউর-চাউরবা শেনফম কয়া হৈনথোক্লম্বগী মতিক চাবা আইনগী চৈরাক খঙনীংলম্বনি। মণিপুরদা লোক্তাক শেংবগী ৱাথোক, হেরোইন নম্বর ফোর ললোনবগী ৱাথোক, ইম্ফাল মনুংগী নুংথিল পোবোবকী মীহাৎ, মণিপুরগী মফম খুদিংদা খূৎশেমগী মীহাৎ, ইম্ফাল মনুংগী কেমেরা খিনবগী ৱাথোক, ঙসি ফাওবা শিরে-হিংলি হায়বা খঙদবগী মখল মখাগী কেস কয়াদা চেন্নবশিংগী মথক্তা চথ্থরকপা আইনগী মীৎয়েং হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাক্লা মরীক চুম্বা আইনগী মীৎয়েং খৌরাংনা ঙাইনরিবনি অদুবু বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা দিসক্কালিফাই তৌনবগী ঈহৌনা বি জে পি লৈঙাক নুংশা মঙান্দা লেন তুমগুম পূন্নমক মাংমীন্নবগী ঈরাং য়েংহনবা তাগদৌরিবরা? মীচম মীয়াম্না অচুম্বা অশেংবা, অওনবা লৈঙাক অমগীমক খৌরাংনা ঙাইনরম্বা পূন্নমক আইনগী থোঙদা চেনবা য়াদবা খোংফমনা কদোমদনো ওল্লক্কদৌরিবা খোংফম মীয়াম্না, পোলিটিক্স য়াওজদবশিং কয়ানা নীংবা কায়বদগী বি জে পিগী লৈঙাক মপূং ফাদনা দশাগী মথক্তা দশা থোক্লগদৌরিবরা? মণিপুর মীচম মীয়ামগী থম্মোয়দা ফুমদুনা থম্নরিবা কয়াবু খঙনা খঙনা, উনা উনা, তাম্না তাম্না অসুমক চৎখিগদৌরিবরা? অচুম্বগী মায়ওন, অচুম্বগী মফম খঙনা খঙনা অসুমক মাঙখ্রগদরা? অচুম্বগী মফম অমুক্তদি মীয়াম হুপ্পা খঙহনবা মতম য়ৌদ্রিবরা? অচুম্বসিবু লৈরিবরা?

# লমলক্কী শা-উচেক অমদি মণিপুরগী গৌড় ধর্ম্ম

ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ

**অদুঙৈ** ইপালাই-ইপুলাই ময়াম্বু মীরাইদুনা মীরমগী গৌড় ধর্ম্মদা লূপশিনখিদুনা মীনাৎতা য়ং লাউরিঙৈদা উচেক-ৱায়া হাৎপদি লায়রদনা য়েরুম ফাওবা চাবিনবা মী লৈরমদে হায়না হৌখিবা জন্যুৱারী ৫, ২০১৮গী নুংতিগী ফোঙবা পাউচে অমদা ইরকখিবসি অচুম্বদি ওইরম্বা য়াই হায়ববু হায়রিবা ৱাফমসিনা ৱাহং কয়া অমদি পোকহনবগুম তৌরি। হৌজিক্তি লমদম অসিদা গৌড় ধর্ম্ম য়ং য়ং লাউদ্রবরা? লাউদ্রগদি মদুগী ওইবা য়াবা মরমসি করিগীনো? গৌড় ধর্ম্মদা য়ং য়ং লাউদবদগীরা খঙদে লমলক্কী শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, তীল-কাংনচিংবা কয়া ফাওবা ফা-ফাদুনা চাখৎনরক্লিবসি। অদু ওইরবদি ৱাইল্ড লাইফ অসি কন্ননবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা অতৈ অতোপ্পা থৌশিল কয়া য়াম্না ৱানা পায়খৎলুদ্রগসু লমদমসিদা গৌড় ধর্ম্ম ওইনা য়ং য়ং লাউনা কনখৎহন্নবা থবক কন্না হোৎনবা মথৌ তারক্কদৌরিব্রা? অদুগা ৱাফম অমনা ইরমদম অসিদা গৌড় ধর্ম্মনা য়ৌরক্ত্রিঙৈদা হান্নদি লমলক্কী শা-ঙা, উচেক-ৱায়ানচিংবা কয়াসি ফা-ফাদুনা পংচা চারমগদ্রা হায়বসিনি। শাগৈ অমদি য়েক সলাইগী মতুং ইন্না চাহৈবা-চাহৈদবা শা-উচেক কয়া অমা লৈরম্বগী ৱারীশিং ঙসি ফাওবা কনাসু কাউনদ্রি। য়ূমথক্তা লমখুনু (লৈমাখুনু) না তোংলগা য়াম্না নুংশিনা খোঙলবদি লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিং অদুগী থৱায়না ওল্লগা লাক্লিবনি হায়না থাজনদুনা অরৈবা চেঙ-চাক, ঈশিংনচিংবা থাবীদুনা নুংশিনা পীজনরল্লিবা মীতৈ ঐখোয়নবু উচেক-ৱায়া, শা-ঙানচিংবা থৱায় পানবা কয়াসি পংহাৎ-হাৎলমগনি হায়বা কয়া থাজবা ঙমদে।



ঐখোয়গী লমদমসিদা শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, তীল-কাং, লিন্নচিংবা কয়া অমা চিঞ্জাক ওইনা য়াম্না পাম্ননা কন্না চাখৎনরক্লিবা অসি করম্বা মতমদগী অমদি কদাইদগী করম্বা ইথিলনা পুরকখিবা চাকচা-য়িথকনো হায়না ইথি থিজিন্দবগুম উই। চাওখৎলক্লিবা হায়বদুরা খঙদে হৌজিক মতমদদি য়েন, ঙানু, ওক, ষণ, হুই, ঙানচিংবা কয়াগী অঙৌবা, অতাওবা, অথোংবা, অফুৎপা, অয়াইবা, শিংজুনচিংবা এঞ্জাং মথেল কয়া য়োনফম ময়াম অমা লৈবাক্কী ঈহৌ অমগুম্না কৈথেল, লম্বী ময়া, লৈরক-খুল্লক্লচিংবা মফম অয়াম্বদা দুকান হাংবগুম্না কন্না হাংগৎনরক্লিবা অসিগী অফ-ফত্ত, অমাঙ-অতোংদি নোংমতা কনামত্তা ঙাঙনবসু তাদ্রি। করম্মাই তৌরিনো খঙদে, পংথোঙদা থোংনৈ, পংলৈদা লৈনৈ অদুগা পংচাদসু চানৈ। মতম অমদদি মখূৎ ফাওবা চাবিরমদবা কবুইশিংনা থোংবা শা-ঙা অমদি য়ুগী মহাওদুনা খ্বাইদগী হেনব্রা খঙদে ঙসিদি তম্পাক্তা লৈবা কবুই খুলশিংদা মৈ ঙান্না ঙান্না থান্নদুনা হাংগৎনরক্লিবা অঙৌবা-অতাওবা য়োনবা দুকানশিং অসি উরগা মৈরানবীনা মৈদা চোংশিনবগুম্না মীনা কৃক-কৃক হেক ইন্নৈ। পোৎ তম্ননবা মীগা নেক্লগা য়োন্থবা অচৌ-অচৌবা দুকান কোকথোং অমনি। নুংঙাইখ্রবা কুম্মৈনি। অসিগুম্বা চিঞ্জাক্কী মেলাগা তৌখৎনরক্তুনা অচৌবা বিজিনেস অমা ওইরক্লে ঙসিদি। ও কেগী মহাওবু কনানা কাউবা ঙম্নবগেনে? অসিগুম্বা মরেক মহাও থোকপা মচুগা য়াম্না ফজবা, মনমগদি শেগাক কায়বা এঞ্জাং মথেলসি য়াওদ্রবদি চাক চাও হায়বা য়াদ্রবা ফুগাম কাম্বা অঙাংগী মশীংসু খঙহেন হেনগৎলকপগুম তৌরি। হিয়াঙ্গৈগী নিংঙোল চাক্লৌবদসু ফনা ফজনা য়ৌশিল্লক্লে মসিগী লাইচৎ অসি। সুম হায়নবদা ঐখোয়গীদি দোজর ওইনা ফুৎলে, ঐখোয়গীদি ইচননুপীনা চুনা চাবী ওইনা চানি হায়, জাৎ-জাৎ তারিবসে। ঙাদগী হাওবদি ঙানুনা ইহেন হেল্লি হায়না ফাগী তৌনরিপোৎনিদা। ফংদবগী ৱানি মমল খরা তাঙবগী ৱানি ব্রোইলরগী মহুত্তা মীতৈ য়েন থাদোক্লগা লোয়বা অদুগা ফংলবদি লোইরে। অন্দ্রোদা পিক্লিক চৎলগা মনা-মমশিংদি লায়রদনা ঙাগা চারুরবদি লোইরে অউবশিংনা ঙাঙনগদবদো।

খঙদেদা চাক ওইনা চানদ্রে হৌজিক্কানদি চিকন, পোর্কনচিংবগী ফ্রাই রাইচনি হায়রবদি লোইরে পাম্নবদা নুপী অঙাং, হনু-হনা খাক্তনা। খুন্নাইসিগী মীয়ামগী হকশেলসি ওন্থোক্লা কিনিংঙাই ওইবা ফীভম অমদা লাক্লি হায়বা য়াই। শিংজু, বোরা, পাকনম, হৈঙান্নচিংবা লমদমসিগী লৈহাও অমদি ঈশিং নুংশিৎকা য়াম্না চানজবা ঐখোয়গী হকচাংদসু কয়া শোক্লোইদবা ইপা-ইপুগী চিঞ্জাকশিং মীরাইদুনা চিকন চৌ, পোর্ক্কী মোমো, চিকন ব্রিয়ানিনচিংবা ফোরেন ফুদশিংদা করম্না ঙাওবা হেনগৎখ্রিবনো অমদি মদুগুম্বা কয়াদু চারগা ফোরেনগী চাওখৎপা অদু মতৌ তল্লিব্রা হায়বদু থিগৎনরুবগী মথৌ তাদ্রবা মাল্লে। মতৌ অসুম্না ঐখোয়গী মীয়ামগী ফিজেৎ-চাকচানচিংবা কয়াদা অঙকপা ফংনা অহোংবা কয়া লাক্লিবসে ধর্ম্মগা মরী য়াম্না লৈনরমগদবসু মান্দে। অমরোমদা ধর্ম্মগা চাননবা চিঞ্জাক্কা মরী য়াম্না লৈনহনবসি কয়াসু পামজদে। চিঞ্জাক্কদি হকচাংগা মরী য়াম্না লৈনব্রা হায়না খল্লি। অনাবদু ফগনি, হকচাংবু ফগনি হায়রবদি অদুম চাবা তাবনি মদুগী চিঞ্জাক্তু হান্না চারমদ্রবসু। হকচাংনবু য়াদ্রবদি ধর্ম্মদুনা অমৃতগী হায়জরবসু মঙোন্দদি চিঞ্জাক অদু হুগা পাঞ্জকনি। গ্লোবেল ভিলেজ অমগুল্লবা ঙসিগী মালেম অসিদা য়ামখ্রবা ফুরুপ-কাঙলূপ অমদি ধর্ম্মগী ইশুং-ইমান্নবশিংগা পূল্লকপদা, চামিন-থকমিন্নরকপা মতমদসু নুংঙাইরক্তবা মীকুপ কয়া য়াওরকপসু য়াই। হকচাংনবু য়ারবদি থম্মোয়নবু খোয়দারবদি করিগী অয়ূক লোন্না থুপ্পা চাগদৌরিবনো-শাজাউ চাবীনিংলিবা হিন্দু চৎপা মীওইশিং অমদি নামুংশাবু লৌখৎপীনিংলিবা মুসলিম ইচিন-ইনাওশিং। শা ঙা চারগা হৌরকখিদবা ফুরুপ অমত্তসু মালেমদা লৈরম্লোই। করম্বা মতমদগী কনা লাইনা করিগীদমক শা-ঙা চাগনু হায়রল্লিবনো? লাইনা হায়রম্বশিং অমত্তসু নিংথিনা ঙাকপা ঙমদবা, ইশানা শেমজবা লোসু ইশানা অদুম থুগায়জবা তাইবঙ মী ঐখোয়নবু করিসু নত্তবা চিঞ্জাক্কী মরমদা ৱা য়াম্না ঙাঙনগদৌরিবনো? ফুদ সাইন্সনা আ য়ৌনা চাওখৎলবা মতম অসিদবো। শিখিবদা করিমত্তা কপনীংদ্রবা মহাক্কীদমক শোরাৎ লোইদ্রিবফাওবা কৈদৌবগী ঙা হেঞ্জরুদৌরিনো? থৱায় নুংঙাইত্রিঙৈদা চাবা শা-ঙা, উতিনচিংবা এঞ্জাংদু চাবদা তুম্বা ঙম্লোই নাগনি হায়বগী ৱানি। ৱাফম অসিদি য়াম্না সাইন্টিফিকনি। শোরাৎ অমদি ফিরোইগী চাক্তা, উসবতা ঙাগী মথেল ফাওবা য়াওখৎনরক্লিবসিনা করিদগীনো হায়বদু থিদোক্তবা য়ারোই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৫

১। মখাদা পীরিবা ৱাহৈ অনীসি মীতৈ থাচৎকী অরিবা মমিংশিংনি। হৌজিক্কী মমিংদা ওন্থোকউ : (ক) থবি (খ) চিনবী

২। "চরুগী মী/মশাসু চরুনা শাবা/মকোকসু চরু ঙাক্তা ঙায়বা" পরেংশিংসি 'চরুগী মী' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "তারিবরা হিংচাবী/নঙগী রাজকুমারদো ডাক্তর নুপী অমগা লুহোংখিদৌরে।" পরেংশিং অসিনা মোইরাংথেম রাজেন্না ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "অফাবা মশমদু তনখোম খোমগৎতুনা চেৎনা পুনশিনখি। মিৎনা কূপ্পদা...থাঙদু লৌরগা...মপূরোইবগী মথবাক্তা থূম্না থিংজিনখি।" পরেং অনীসিনা 'পনখৈদুগী ৱাংমদা' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। তেলেগু কবি এন গোপিগী শৈরেং লাইরিকপু মণিপুরীদা 'মতম্বু ঐনা তূমহল্লোই" হায়না হন্দোকখ্রে। হন্দোক্লোইদু কনানো?

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা  খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**